# ইন্দিয়াদা ফিফা রেফরি বেজ ফংলিবী তেকচম রঞ্জিতানা লোকদাউন মনুংদা ফিট ওইনবা কন্না হোৎনরি



ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী): মশাগী চহী ৩৫দা ঙাইরিবী মণিপুর মচা তেকচম রঞ্জিতা ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী খ্বাইদগী ৱাংবা লূপ ফিফানা নুপী রেফরিশিংদা পীবা বেজ অদু এক্টিভ ওইবা অমত্তা ঙাইরবা রেফরিনি। মহাক্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈরিঙৈদা মশা ফিট ওইনবা অমদি ফিফাগী গাইদলাইনশিং অদু কন্না ইন্নবা হোৎনরি।

হোৎনবা কনবী মণিপুরগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্তগী হৌখিবী তেকচম রঞ্জিতা ইন্দিয়াগী হৌজিক হৌজিক এক্টিভ ওইরিবা ফিফা রেফরিগী বেজ ফংবা অমত্তা ঙাইরবা রেফরিনি। পনবা য়াই, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নুপী রেফরি কনিকা বর্মনসু ফিফানা মমিং হাপখ্রবসু ওফিসল ওইবা নোটিশতি থোক্লি।

ইন্দিয়াদা নত্তনা এসিয়াগী ওইনা মীয়াম্মা মশক খঙলবা নুপী রেফরিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবী তেকচম রঞ্জিতানা মহাক্না হৌজিক লৈরিবা ষ্টেজ অসি য়ৌনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরকখি।

মমিং লৈরবা জর্নেল অমগা উনখিবা অমদা রঞ্জিতানা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মায় পাকপগী খোঙথাং অসি য়ৌনবা হোৎনবদা ৱাখলগী পাঙ্গল হনবা লৈতনা লৈখিবা অদুনা খ্বাইদগী মরুওইবা মচাক অমা ওইখি হায়খি।

নুপা অমসুং নুপীগা চাংদম্নবদা হকচাংগী পাঙ্গলগী মতাংদা নুপানা হেল্লবসু ৱাখলগী পাঙ্গলদদি নুপানা হেনগনি হায়বা লৈতে। নুপীনা হেনবসু য়াই।

ফুটবোল মশান্নদা মরুওইনা রেফরিগী মতাংদা হকচাং ফিট ওইবসু তঙাইফদবা অমা ওইরি। অদুবু ৱাখলগী পাঙ্গল হেন্না লৈবনা রেফরিগী থৌদাংদদি হেন্না মরু ওইনা লৌই হায়না রঞ্জিতানা মখা তাখি। কুমজা ২০১৭তা তেকচম রঞ্জিতা ফিফা রেফরিজ কম্মিটিনা এপ্রুভ তৌবা রেফরি অমা ওইখি। মহাক্না ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংদা ইন্টরনেসনল মেচ কয়া ওফিসিএট তৌদুনা লাকখি।

নেসনলগী থাক্তা রঞ্জিতানা কুমজা ২০১৫গী কেরলা নেসনল গেমসতগী ফুটবোল মেচ ওফিসিএট তৌবা হৌখি। মণিপুরদগী রঞ্জিতাগী মমাঙদা কল্যানি চনুসু ফিফাগী বেজ ফংখি। অদুবু হৌজিক হৌজিক মহাক এক্টিভ ওইদনা লৈরি।

মচিন-মনাও মঙাগী মনুংদা খ্বাইদগী অতোনবী ওইখিবী রঞ্জিতানা মহাক্কী করিয়র অদু কুমজা ১৯৯৯দা ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরকপনি। অদুবু কুমজা ২০০৭তগী ষ্টেট ক্লাস থ্রী রেফরি ওইনা মীং চল্লবা মতুং কুমজা ২০১৬তা নেসনল গ্রেট (কেটেগরি টূ) রেফরি পাস তৌদুনা লাকপনি।

নহা ওইরিঙৈদগী ফুটবোল মশান্নদা থৱায় য়াম্না য়াওরকপা অমা ওইনা হৌরক্তুনা মহাক্কী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ষ্টেটকীদমক্তা ফুটবোল শান্নবা ঙমখি। নেসনল কেম্প অনীরক মহাকপু মণিপুরদগী খল্লগা কৌরকখি। অদুবু মহাক ইন্দিয়াগী ওইনা সেলেক্সনদি ফংখিদবনি।

কুমজা ২০০৯দা কিদনিগী অনাবা অমা লৈরকপদগী ডোক্তরনা ফুটবোল শান্নবা লেপ্পবা খঙহল্লকখি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনসু মশান্না অসিদগী লেপ্পা পামখি। অদুবু মশান্না অসিদগী শান্নবা লেপ্লবসু ফুটবোলগী রেফরি অমা ওইনা ত্রেনিং চথবা হৌরকখি।

মহাক্না রেফরি অমা ওইবগী ত্রেনিং চথবা হৌরকপদা অতোপ্পা নুপী অমত্তা রেফরি ওইবা পান্দ্রগী মমি উখিদে। ত্রেনিং চথবা মতমদসু নুপাশিংগী মরক্তা মহাক য়াওদুনা ৱাখলগী অমদি ফিজিকেলগী ওইবা পাঙ্গল য়াম্না কন্না লৈনবা হোৎনরকখি।

মঙোন্দা লক্লবা কয়া অমসু য়াওরকখি। অদুবু হায়রিবা অয়েৎপশিং অদু তুংওইননা থনম্লগা হৌজিক্তি ইন্দিয়াগীদা নত্তনা মালেমগী ওইনা শকখঙলবা নুপী রেফরি অমা ওইবা ঙমখিবনি। মহাক্না মণিপুরগী নুপা রেফরিশিংগী মনুংদা জাদবচন্দ্র হাওবম, অজিৎকুমার লাইরেনলাকপম অমসুং কেনি সাপমবু মখোয়গা পূন্না ত্রেনিং তৌবা ফংহনখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০২৩দা পাঙথোক্কদবা ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপতা মহাক রেফরি অমা ওইবগী মীৎয়েং থম্লি।

লোকদাউন মনুংদা ফিফাগী ওনলাইনদা পীরকপা ফিটনেস টেষ্টশিং অদু শরুক য়ারি। মসিদসু নত্তনা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী প্রোগ্রামশিংসু শরুক য়াবগা লোয়ননা নোংমা কাল্লগা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী ভিদিও এনালাইসিষ্টশিং অদুদসু শরুক য়াদুনা অমদি শাজেল তৌদুনা ফিট ওইনবা হোৎনরি।

# ঙাঙোম বালাবু ইন্দিয়ন ফুটবোলগী ফিদম্নীংঙাই ওইবী শান্নরোয়নি : এ আই এফ এফ প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেল



ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা তোঙান তোঙানবা নেসনল টিমগী চহী কাঙলূপকী শান্নরোয়শিংদা ভিদিও কনফরেন্সিংদা ৱারী শানবদা লৈবাক অসিগী অহানবা ইন্টরনেসনল প্রোফেসনেল ফুটবোল শান্নরোয় ওইরিবী ঙাঙোম বালাবু ফিদম্নিংঙাই ওইবী লৈবাক অসিগী ফুটবোল শান্নরোয়নি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙাঙোম বালা হৌজিক হৌজিক স্কোটলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রেঞ্জরস এফ সীগী নুপীগী সেনিয়র টিমদা ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা জর্সি নম্বর ১০ ফংদুনা থা ৯গী কোন্ট্রেক্ট অমগী মখাদা লৈরি।

লৈবাক অদুসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী ইভেন্ট পূম্নমক থিংজিনখিবদা স্কোটিশ ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টসু য়াওখি। লোয়ননা ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখিবদগী ইন্দিয়াদা হল্লকপা য়াদনা ক্লব অদুদা লৈরি।

ঙরাং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ঙাঙোম বালাবু থাগৎলদুনা মহাক্না ফংলিবা ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল ক্লব অমদা শান্নবা ঙম্বা অসি য়াম্না চাউথোকচনীংঙাইনি। বালানা তুংদা হৌগৎলক্লিবা নহা ওইরিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংবু অনৌবা লম্বেল অমা উহনবা ঙম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিং অসিনসু অতোপ্পা নুপাগী ফুটবোল শান্নবদগী হন্থনা লৈতে হায়বদু উৎপা ঙমখি।

চহী অসিগী নবেম্বর থাদা ইন্দিয়ানা যূম্লু ওইরগা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক শেম শারিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয়শিং অসিগীসু ঙাঙোম বালানা অচৌবা থৌদাং অমা পীরি।

বালানা ফোঙদোরকখিবদা কুমজা ২০১৮-১৯দা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শীন্দুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা তোঙান তোঙানবা ফোরেন লৈবাকশিংদা ফ্রেন্দলি মেচ অমদি টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াহনখিবা অদুনা মশাগী মশান্না অদুদা অহেনবা হৈথোই শিংথোইবা অদু উৎথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল পীখিবনি।

ঙরাং প্রফুল পটেলগা ভিদিও কনফরেন্সিংদা ৱারী শানখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী নেসনল টিমগী গোলকিপর ওইরিবী অদিটি চৌহাননা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌজিক লৈরিবা থাক অসিদগী হেন্না ফগৎহনগে হায়রবদি ইন্টরনেসনল মেচ মশীং য়াম্না শান্নবা মথৌ তাই। লোয়ননা মদুদা পার্ফোর্মেন্স ফজনা উৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

টিম অদুগী নহা ওইরিবা ষ্ট্রাইকর মণিপুরদগী হৌখিবী দাংমৈ গ্রেসনসু ফোঙদোরকপদা, হেন্না শান্নরিবমখৈ টিম অসিগী শান্নরোয় খুদিংমক্কী মশান্নদা অফবা অমদি হান্না খঙলমদবা টেক্নিক কয়া অমসু মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোয়শিং অদুদগী তমহৌবা ঙম্মী।

এ আই এফ এফনা য়াম্না মরীক চুম্বা ইন্টরনেসনল ফুটবোল কেলেন্দর অমা পীবা অসিনা টিম অসিগী লৈরম্বা ফীভমদগী হেন্না ফবা থাক্তা পুরকপা ঙমখি।

অমরোমদা, নুপাগী নেসনল টিমগী সেন্ট্রেল দিফেন্দর অমা ওইরিবা সন্দেস জিঙ্গালনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক হৌজিক মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীদুনা লৈরিঙৈদা শান্নরোয় অমা ওইনা ফীভমশিং অসি মায়োক্লবগী খুদোংচাবা লৈত্রবসু মশা মশানা ঙমজবা থাক্তা হকচাং ফীট ওইনবা অমদি ৱাখল হন্থদনবা শাজেল তৌবা মথৌ তাই হায়খি।

ইন্দিয়াগী কেপ্তেন সুনিল ছেত্রিনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয় পূম্নমক্না লোকদাউন মনুং অসিদা মশাগী ওইবা সেদ্যুল অমা শেমদুনা শান্নবগীদমক্তা ফিল্দদা থোকপা ঙমদ্রবসু অফংবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা য়ারিবমখৈ চাবা মতম নাইবা অমদি তূম্বা মতম নাইবদা নত্তনা শাজেলগী মতমসু নিংথিনা থম্বা মথৌ তাই হায়না ভিদিও কনফরেন্সিং অদুদা ফোঙদোকখি।

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# সাংজু সাঙমুনা গাংৱোন এফ সীবু ২-০দা থোইখ্রে, বুসান আই পার্ক জোনবুক এফ সীগী মখূৎতা মায়থীখ্রে, দেগু অমসুং পোহাং দ্রো চৎখ্রে



সিওল, মে ১৬ (এজেন্সী): ঙসি সাংজু সাঙমুনা যূম্লু ওইদুনা সাংজু সিবিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা গাংৱোন এফ সীবু মখোয়না পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। বুসান আই পার্ক জোনবুক এফ সীগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে। অদুগা দেগু এফ সী অমসুং পোহাং ষ্টিল্লরস ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

সাংজু সাঙমু অমসুং গাংৱোন এফ সীনা লম্বা তৌনখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ২০ লোম শান্নবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরকখ্রবা মতুং ২২শুবা মিনটতা যূম্লু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা সাং ৱু কাংনা পেনালটি অমগী মতেংনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মখা তাবা অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী ময়ায় চনশিল্লকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা সাংজু সাঙমুগী মায়কৈদগী সিওন মিন মুননা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা ২-০দা হেনখি। গাংৱোন এফ সীগী মায়কৈদগী মেচ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে।

বুসান গিদোক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা যূম্লু ক্লব বুসান আই পার্কপু জিম্বুক এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফকী ১৬শুবা মিনটিতা জিম্বুক এফ সীগী মায়কৈদগী জিয়াও হো হোংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ২১ চঙশিল্লকপদা বুসান আই পার্ককী মায়কৈদগী রোমুলোনা পেনালটি অমগী মতেংনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মখা তাবা অকনবা লম্বা চথুনরকপদা হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা জিম্বুক এফ সীগী লার্জ বেলৱিটনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্দুনা ২-১দা থোইখি।

দেগু বেঙ পার্কতা শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা যূম্লু দেগু এফ সী অমসুং পোহাং ষ্টিলরস পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

অহানবা পাঞ্জল অদু হাফ তাগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা পোহাং ষ্টিলরসকী মায়কৈদগী আলেকজেন্দর পালোসেবিসনা চনখি। অদুগা দেগু এফ সীগী ইক্বেলাইজর অদুনা এগারনা ৬৭শুবা মিনটতা চনখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Jeonbuk Hyundai | 2 | 2 | 0 | 0 | 3 | 1 | +2 | 6 |
| 2 | Pohang Steelers | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 1 | +2 | 4 |
| 3 | Ulsan Hyundai | 1 | 1 | 0 | 0 | 4 | 0 | +4 | 3 |
| 4 | Gangwon FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 3 | 3 | 0 | 3 |
| 5 | Seongnam FC | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 0 | +2 | 3 |
| 6 | Sangju Sangmu | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 4 | −2 | 3 |
| 7 | Daegu FC | 2 | 0 | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 8 | Incheon United | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 9 | FC Seoul | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 3 | −2 | 0 |
| 10 | Busan IPark | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 4 | −3 | 0 |
| 11 | Suwon Samsung | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | −1 | 0 |
| 12 | Gwangju FC | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 2 | −2 | 0 |

# জর্মনিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ বুন্দেসলিগা মখা তানা শান্নবা হৌখ্রে, দোর্টমুন মায় পাকখ্রে

বর্লিন, মে ১৬ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেমগী লৈবাক পূম্বা লোকদাউন মতম শাংনা লৈরুরবা মতুং য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট জর্মনিগী বুন্দেসলিগা ঙসিদগী মখা তানা শান্নবা হৌখ্রে। ২৬শুবা রাউন্দগী মেচ ৫ শান্নখিবদা বোরুসিয় দোর্টমুন মায় পাকপা ঙমখ্রে।

বর্লিনগী সিগনেল ইদুনা পার্কতা ঙসি শান্নখিবা ২৬শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা বোরুসিয়া দোর্টমুননা সালকে ০৪বু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদু ষ্টেদিয়ম অদুদা ভাবক য়াওদনা শান্নখি।

মেচকী অহানবা হাফতা বোরুসিয়া দোর্টমুননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু ২৯শুবা মিনটতা থোরঙান থোরগাদ হেজার্দনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট অর্লিং ব্রাউট হালেননা চনখি।

অহানবা হাফকী অরোইবা মীকুপ্তা মখা তানা বোরুসিয়া দোর্টমুনগী এটেক অমদা জুলিয়ন ব্রেন্টনা ফংবা বোল অমা য়াম্না ফজনা খাইদোরকপদা রফেল গুইরেরোনা চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৪৮শুবা মিনটতা জুলিয়ন ব্রেন্টনা পীরকখিবা বোল অমা থোরগান হেজার্দনা চন্দুনা সালকে ০৪বু বোরুসিয়া দোর্টমুননা ৩-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবা সালকে ০৪গী মায়কৈদা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ব্রোরুসিয়া দোর্টমুনগী অর্লি ব্রোট হালেননা খাইদোরকপা বোল অমদা টিমমেট রাফেল গুইরৈরোনা চন্দুনা ৪-০দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ২৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা হর্থা বি এস সীনা ওফেনহেমবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা হাফ টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লম্বা মান্ননা লাকখি। হর্থা বি এস সী ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা রাউন্দ ২৫ শান্নখিবদা ১৩শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা, টিমদুগী লম্বা ওইখিবা হোফেনহেম মেচ ২৫দা পূন্না পোইন্ট ৩৫ ফংলগা ৯শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

অদুগা ঙসিগী মেচ অদু অহানবা হাফ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতগী হর্থা বি এস সীনা এটেক মরী মরী চথুরকখি। ৫৮শুবা মিনটিতা হর্থাগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা বোল অমা হোফেন হেনগী দিফেন্দর কেবিননা ওন গোল ওন্থোকখি। ৬০শুবা মিনটতা হর্থাগী মায়কৈদগী বেদার্থনা অনীশুবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং ৭৪শুবা মিনটতা টিমমেট মেথাওকুনহানা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

ঙসি অতোপ্পা মেচ অমদা ৱলফবর্গনা মায় পাকখি। রাসেন বোল অমদি ফ্রৈবর্গ দ্রো চৎখ্রবা মতুং দুসেলদোর্প অমসুং পেদরনবোর্নসু দ্রো চৎখি।

লীগ অসিদা মমাঙগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা লোকদাউন মমাঙদা মেচ ২৫ শান্নবদা মেচ ১৭ মায় পাকখিবা, ৪ দ্রো চৎলবা মতুং অতোপ্পা মেচ ৪না মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৫৫ ফংলগা টিম ১৮গী লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি। ঙসি মায় পাকখিবা বোরুসিয়া দোর্টমুননা মেচ ২৬তা পোইন্ট ৫৪ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 25 | 17 | 4 | 4 | 73 | 26 | 47 | 55 |
| 2 | Borussia Dortmund | 26 | 16 | 6 | 4 | 72 | 33 | 39 | 54 |
| 3 | RasenBallsport Leipzig | 26 | 14 | 9 | 3 | 63 | 27 | 36 | 51 |
| 4 | Borussia Mönchen | 25 | 15 | 4 | 6 | 49 | 30 | 19 | 49 |
| 5 | Bayer Leverkusen | 25 | 14 | 5 | 6 | 45 | 30 | 15 | 47 |
| 6 | Wolfsburg | 26 | 10 | 9 | 7 | 36 | 31 | 5 | 39 |
| 7 | Freiburg | 26 | 10 | 7 | 9 | 35 | 36 | -1 | 37 |
| 8 | Schalke 04 | 26 | 9 | 10 | 7 | 33 | 40 | -7 | 37 |
| 9 | Hoffenheim | 26 | 10 | 5 | 11 | 35 | 46 | -11 | 35 |
| 10 | 1. FC Köln | 25 | 10 | 2 | 13 | 39 | 45 | -6 | 32 |
| 11 | Hertha BSC | 26 | 8 | 7 | 11 | 35 | 48 | -13 | 31 |
| 12 | 1. FC Union Berlin | 25 | 9 | 3 | 13 | 32 | 41 | -9 | 30 |
| 13 | Eintracht Frankfurt | 24 | 8 | 4 | 12 | 38 | 41 | -3 | 28 |
| 14 | Augsburg | 26 | 7 | 6 | 13 | 37 | 54 | -17 | 27 |
| 15 | Mainz 05 | 25 | 8 | 2 | 15 | 34 | 53 | -19 | 26 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 26 | 5 | 8 | 13 | 27 | 50 | -23 | 23 |
| 17 | Werder Bremen | 24 | 4 | 6 | 14 | 27 | 55 | -28 | 18 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 26 | 4 | 5 | 17 | 30 | 54 | -24 | 17 |

# টৌর্পিদো ঝোদিনোনা এফ কে গোরোদয়াবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগকী মাঙজিল থাখ্রে

মিন্সক, মে ১৬ (এজেন্সী): ঙসি টৌর্পিদো ষ্টেদিয়মদা যূম্লু ওইদুনা শান্নখিবা বেলারসিয়ন প্রেমিয় লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৯শুবা রাউন্দদা টৌর্পিদো ঝোদিনোনা এফ কে গোরোদয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা টৌর্পিদো ঝোদিনোগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা ভালেরি গোর্বাচিকনা পীরকপা পাস অমদা লিপে ভেলোসোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা অহানবা হাফ অদু মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা টৌর্পিদো ঝোদিনোনাগী গেব্রিএল রামোসনা ফংখিবা বোল অমদা মহাক্কী টিমমেট লিপে ভেলেসোদা খাইরকপদগী ভেলেসোনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী শোত্থরবা এফ কে গোরোদয়াগী মায়কৈদগী লজার সাইজিকনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু টিম অদুনা ইক্বেলাইজর থিবা ফংদ্রিঙৈদা টৌর্পিদোগী মায়কৈদগী এন্দ্রে খচাতুরিননা ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু ৩-১দা থোইরবা মতুং লীগ অসিগী ৯শুবা রাউন্দ শান্নবা লোইশিনবদা টিম অদুনা পোইন্ট ১৮ ফংলগা মাঙজিল থারি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ইনজেটিক বি জে য়ু মিন্সকনা দাইনামো ব্রেসপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

বি জে য়ু মিন্সকনা যূম্লু ওইদুনা শান্নখিবা মেচ অদু অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল চন্নদনা লৈখ্রবা মতুং ৪০শুবা মিনটতা টিম অদুগী ইবজেনি য়ুদসিদসনা ফংবা বোল অমা খাইদোরকপদা টিমমেট দুসান বাটিকনা চনখি।

অনীশুবা হাফকী অহৌবদা বি জে য়ু মিন্সককী মায়কৈদগী জেরেমি মভাতুনা পীরকপা পাস অমদা ইবজেনি য়ুদসিদসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা লৈখি। মেচকী অরোইবা মিনটতা দাইনামো ব্রেসকী মায়কৈদগী অর্টেম বাইকোপনা পীরকপা পাস অমদা সর্গে কিসলাকনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবসু বি জে য়ু মিন্সকনা মায় পাকখি। মায় পাকখিবা টিম অদু লীগ অসিগী পোইন্ট ১৬ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি।

# মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসন্না মমিং লৈরবা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়ম ক্বারন্টিন ফেসিলিটি সেন্টর ওইনা শেমগৎলগনি

মুম্বাই, মে ১৬ (এজেন্সী): ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন গ্রেটর ওফ মুম্বাই (এম সী জি এম) না মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসনদা খঙহল্লদুনা কুমজা ২০১১ ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ শান্নফম ওইখিবা মমিং লৈরবা ৱাংখেদি ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লান্থেংনবা পায়খৎলকপা খোঙথাংগীদমক ক্বারন্টিন ফেসিলিটি সেন্টর ওইনা ওন্থোক্কদৌরি।

এম সী জি এমনা মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসনগী ওফিসলশিংদা ঙরাং পীখিবা চেরোল অমদা ষ্টেদিয়ম অদু খুদক্তা কোর্পোরেসন অদুদা খূৎশিন্নদুনা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মগী মফম পূম্নমক হায় রিস্ক কোন্টেকশিং ক্বারন্টিন তৌফম ওইনা থম্নবা হায়রকপনি।

ষ্টেট অদুদা ঙসি ফাওবদা মীওই ২৯১০০ কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুং ২৭৬৮না লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শিহনখ্রবনি। ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লিবা ষ্টেট অসিগী ‘এ’ ৱার্দ হায়না খঙনরিবা লায়না লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবা থবক পায়খৎলিবা অসিগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর চন্দ্র আর য়াদবনা পীখিবা চেরোল অদুদা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়ম অসি ‘এ’ ৱার্দকী ইমর্জেন্সি ষ্টাফশিংনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগা নক্লরুবা অদুবু সিম্পটোমেটিক ওইদবা মীওইশিং অদু ক্বারন্টিন তৌদুনা থম্ননবা খোঙথাং লৌখৎলকপনি।

মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সঞ্জয় নায়কনা এম সী জি এমগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অদুবু ফংখিবগা লোয়ননা মখা তাবা থবক থৌরমশিং কাঙলোনগী মতুংইন্না অথুবা মতমদা পায়খৎলগনি। এসোসিএসন অসিনা এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর অসিগী মায়কৈদগী মখা তাবা খোঙথাং লৌখৎনবা ঙাইদুনা লৈরি।

ৱাংখেদি ষ্টেদিয়ম অসি মুম্বাইগী মেরিন ড্রাইবতা লৈবা রেসিদেন্সিএল এরিয়াদা লৈবা মরম্না মফম অদুগী মীয়ামনা ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনা থম্লক্কনি হায়বা অসিদা মীপাইবা পোক্লরি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৱাংখেদি ষ্টেদিয়ম অসি কোভিদ-১৯ নারবা মীওইশিং লায়েংফম অমা ওইনবগী মতাংদদি তংদাংবা অমা খঙদ্রি।

মফম অদুদা লৈবা মশাগী চহী ৫০ শুরবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা ষ্টেট অদুদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অদুনা শুংশোয় শোয়দনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং থম্লকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী শাফনবা লৈঙাক্লা হোৎনবীগদবনি। লোয়ননা ষ্টেদিয়ম অদুগী ম্যেন এন্ট্রান্স গেট অদু রেসিদেন্সিএল এরিয়াগী লম্বীগা পূনবা মরম্না মীওইশিং অদুদা চাউনা মীপাইবা ফাওনরিবনি। ৱাংখেদি ষ্টেদিয়ম অসিদা মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসনগী ওফিস ওইবদা নত্তনা ওল ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দ ওইরিবা বি সী সী আইগী হেদ কার্টরসু ওইরিবনি।

অমরোমদা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়ম মনুংদা গারৱের ক্লব হাওস অমসু লৈরি। ক্লব হাওস অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাজ পুরোহিটনা ফোঙদোরকপদদি হৌজিক ফাওবদা ক্লব অসিগী মায়কৈদা ক্বারন্টিন সেন্টর ওইননবা ওফিসল ওইবা নোটিফিকেসন অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়রি।

ৱাংখেদি ষ্টেদিয়ম অসি থা অনীগী মমাঙদগী থিংদুনা লৈরুবা মরম্না শেমজিন শাজিন্দনবদি কয়া অমা ৱাংলি। অদুবু লৈঙাক্লা পীরকপা ওর্দরশিং অদুগী মতুংইন্না থবক পায়খৎপা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোরকখি। ৱার্লিদা লৈবা নেসনল স্পোর্টস ক্লব ওফ ইন্দিয়া অমসুং মহালক্সমি রেষ্ট কোর্চসু টেম্পোরেরি হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি ওন্থোকখ্রবনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com